**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 14-09-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- ইম্ফালগী রিমস অসি মেদিকেল সাইন্সকী লমদা খুমাং চাওশিল্লকপাগ লোয়ননা লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা মেদিকেল ইন্সটিট্যুসনশিংগী থাক য়ৌবা ঙমলে।

২) মণিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী মফম কয়াদা ঈশিং থুমজিনদুনা মীয়ামা খুদোংচাদবা মায়োকরে।

৩) কেন্দ্র সরকারগী নেক্স জেনেরেসন জি.এস.টি রিফোর্মসপু রাজ্য অসিগী অখণ্ড অহৈ কয়ানা মখা তানা থাগৎপা ফোংদোকরক্লি।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারতনা মীরমদগী পুশিল্লকপা থাউদা মীপাল তাংবা হন্থহন্নবা অমসুং ইনজিগী লমদা আত্মা নিরভর ওইহন্নবা মিসন পায়খৎলি।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা মমালোলবু হেন্না শিজিন্নবগা লোয়ননা হিন্দি লোলবু চাওখৎনবা হোৎননবসু হায়রি।

------

রিমস (এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- হৌখিবা চহি কয়া অসিদা রিমস অসি মেদিকেল সাইন্সকী লমদা খুমাং চাওশিনবগা লোয়ননা ঙসিদি লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা ইন্সটিট্যুসনশিংগী থাক য়ৌবা ঙমলে।

ইম্ফালগী রিজনেল ইন্সটিটুট্যট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) লিংখৎখিবা চহি ৫৩ মপুং ফারকপগী পালন থৌরমদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপালনা হায়- ঙসিগী নুমিৎ অসি ইন্সটিটুট্যসন অসি লিংখৎখিবগী পালন থৌরম পাঙথোকপা খক নত্তনা ইন্সটিটুট্যট অসিদা অওনবা কয়া লাকপগী খোঙচৎ উৎপা অমসুং অৱাং নোংপোক লমদমদা মেদিকেলগী লমদা শিক্ষা পীবা অমদি অনা লায়েং চত্থবদা শিংথানিঙাই ওইবা থৌদাং অদুবু উৎপা নুমিৎ অমসুনি। ইন্সটিটুট্যট অসিগী একাদমিক্কী লমদা লৌবা থৌদাংশিংবু নৌহৌনা নিংশিংলদুনা রাজ্যপালনা হায়- ইন্সটিটুট্যসন অসিনা হেলথ কেয়ারগী প্রোফেসনেলশিং শেমগৎপগী থবকসু লেপ্তুনা চত্থরি। মহাকা হায়- হৌখিবা চহি কয়া অসিদা রিমসনা ডোক্তর লিশিং ৪ হেন্না, স্পেসিয়েলিষ্ট লিশিং ২,৩০০ হেন্না অমসুং অতৈ হেলথ কয়া প্রোফেসনেল কয়ামরুম পুথোকখ্রে। রিমসপু অৱাং নোংপোক লমদমগী মরী লৈনবা হিরমশিংদা রিছার্স অমসুং ইনোভেসনগী থবক্তা হেন্না পুকিং চংবা অমদি লম অসিদা থবক পায়খৎপগী তঙাইফদবসু রাজ্যপালনা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা মেদিকেল স্ট্রিমগী মকোক থোংবা মহৈরোই ৫০ হেনবদা রাজ্যপালনা মনা মথুমসু য়েন্থোকখি অদুগা চহিগী ওইনা ফোংবা মেগজিন রিমেদিসু পুথোকখি।

থৌরম অদুদা রিমসকী দাইরেক্তর প্রোফেসার জি. শুনিল কুমার শর্ম্মা অমদি অতৈ শকাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

নোং (এল)ঃ রাজ্য অসিদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুরকপদগী অকুৎপা মফম কয়া ঈশিং থুমজিনদুনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা মায়োকরে। রাজ্যগী ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টনা মরুওইবা তুরেলশিংগী ঈশিংগী ঈমায় কুপা শেন্নরি।

থৌবাল জিলাগী ৱাংজিং তুরেলগী ঈশিং ঈমায় কা হেন্না ৱাংখৎলক্তুনা মফম কয়াদা ঈশিং পাথোক্লে হায়রি। ঐখোয়গী থৌবাল পাউমী শোইবম বিনোইনা হায়- তুরেলদগী পাথোরকপা ঈশিংনা ৱাংজিং কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা রিলিফ কেম্প য়াওনা মফম কয়া ঈশিং থুমজিল্লে।

জিলা অদুগী শঙ্গাইয়ুম্ফমদা য়ুম কয়াসু ঈশিং থুমজিল্লে। মণিপুর বিধান সভা সদস্য ওক্রম শুরজাকুমারনা ঈশিং থুমজিল্লবা মফমশিং য়েংশিনখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা ইরিল তুরেলগী ঈমায় হেনগৎলক্লি। য়াইঙংপোকপীদা মফম কয়া ঈশিং থুমজিল্লে। নোনে জিলাদা ঙরাংদগী নোং লেপ্তুনা চুরকপদগী নেসনেল হাইৱে-৩৭ কী অৱাং খুলদা চীং নীংখায়বগী থৌদোক থোক্লে।

উখ্রুল অমসুং কামজোং জিলাগা ইম্ফালগা ফাওনবা নেসনেল হাইৱে ২০২ লম্বীগী টি.এম. কশোমদা চাউনা চীং নিংখায়বদগী লম্বী ফাওনদ্রে। হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী ঙসি অয়ুক চীং নীংখায়বগী থৌদোক অসি থোকখিবনি। এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলনা লম্বী অসি শেংদোকপগী থবক চখ্তরি।

মরক অসিদা, ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল ইম্ফাল সেন্টরগী পাউনা হায়রি- সেনাপতি, উখ্রুল, কামজোং, তেংনৌপল অমদি চান্দেল জিলাশিংদা ঙসি য়ামা কনবা চাংদা নোং চুরবা য়াই হায়না ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে। অতোপ্পা জিলাশিংগী অতৈ মফমশিংদনা পারপদগী ময়াই ওইরপ চাং য়ৌনা নোং চুরবা য়াই । পাউ অসিনা মখা তানা হায়- লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই।

জিএসটি (এল)ঃ কুমশি চহিগী নীংতম নুমিৎতা দিল্লিগী লাল কিলাদগী প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা জি.এস.টি রিফোর্মসকী নেক্স জেনেরেসন লাউথোকখি। প্রধান মন্ত্রিগী ৱাফমবু থবক্তা ওন্থোকপা ওইনা থা অসিগী অহুমদা জি.এস.টি কাউন্সিলনা মীয়ামগী খুদোংচানবগীদমক পোৎলম কয়াদা লৌবা জি.এস.টিগী চাং হন্থহল্লগনি হায়খি।

জি.এস.টি রিফোর্মসকী মতাংদা অকাশবানি ইম্ফালগা অখন্ননা উন্নবদা দিপার্টমেন্ট ওফ টেক্সেকী ষ্টেট নোদেল ওফিসার য়ুমাম ইন্দ্রকুমারনা হায়- থা অসিগী ২২ দগী চৎনবা হৌগদবা নেক্স জেনেরেসন জি.এস.টি রিফোর্মসনা হিদাক লাংথক, লৌউ শিংউগী পোৎলমশিং, মহৈরোইশিংনা শিজিন্নবা পোৎলমশিং অমদি নোংমদা তঙাইফদবা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংদা লৌরম্বা

জি.এস.টিগী চাং পোৎলম খরদনা হন্থরে অদুগা খরগীনা শুকলৌ লৌররোই।

স্কুল (এল)ঃ থিয়েটর, ফিলম অমদি পাব্লিক স্পিকিংগী লমদা থা ৬ কী ওইবা দিপ্লোমা কোর্স তমবগী য়াই স্কুল ওফ আর্টিষ্ট কৌবা স্কুল অমা ঙসি য়ুথস ক্লব ব্রহ্মপুর ইম্ফালগী কমপ্লেক্সতা মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা সিংহনা হাংদোকখ্রে। খ্বাইরাকপম বিশ্বামিত্রনা স্কুল অসিগী দাইরেক্তর ওইনা থবক পুগনি।

উখ্রুল (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মিসন্না উখ্রুল জিলাদা নুপীশিংদা হিংনবগী লম্বীদা চাউনা মতেং ওইরে। খুঙ্গংগী লমদমদা মীয়ামগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবগীদমক্তা নেসনেল রুরেল লাইফলিহুদ মিসন্না ২০১১ দা মিসন অসি হৌদোকখি। মিসন অসিনা উখ্রুল জিলাদা নুপীশিংগী ওইবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ ১০০ হেন্না শেমদুনা স্কিল ত্রেনিংনচিংবা পীদুনা তেংবাংলি।

রেদিও (এল)ঃ ভারত সরকারগী ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী অয়াবা মখাদা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা লোক্তাক আর্টসনা চলাইবা রেদিও চীং-তম কৌবা কম্ম্যুনিতি রেদিও ষ্টেসন অমা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা নম্বোল বজারদা হান্নগী মন্ত্রি মোইরাংথেম হেমন্তনা হাংদোকখ্রে।

লাইরিক (এল)ঃ কলচরেল ফোরম মণিপুরনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী কৈশামপাৎতা লৈবা মণিপুর ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরি ওদিতোরিয়মদা হাওবম সত্যবতিনা ইবা রেদিও লিলা মরিগী অপুনবা ইমাগী সনামতুম অমদি মিস্রা থম্বাল কৌবা লাইরিক অমা ফোংখ্রে।

গোল্ডন জ্বিলি (এল)ঃ প্রোগ্রেসিভ রাইটরস এসোসিয়েসন মণিপুরগী নুমিৎ নিনি চখুগদবা গোল্ডন জ্বিলি থৌরম ঙসিদগী ইম্ফালগী জব্বাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদমিদা হৌখ্রে। ঙসি অহৌবা নুমিৎতা ব্বারী মচা পাবা অমদি

সংস্কৃতিগী থৌরমশিং পাঙথোকখি। হয়েং নিনি চনবা নমিৎতা সিম্পোজিয়ম, চে পাথোকপা অমদি শৈরেং থীবনচিংবগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারতনা মীরমদগী পুশিল্লকপা থাউদা মীপাল তাংবা হন্থহন্নবা অমসুং ইনর্জিগী লমদা আত্মা নিরভর ওইহন্নবা মিসন পায়খৎলি।

অসামগী গোলাঘাৎ জিলাদা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা লৈবাক অসিগী ইহান হানবা বেম্বু বেজ বাইও রিফাইনারি অমসু প্রধান মন্ত্রিনা শঙ্গাখি। বাইও ইথানোল প্লান্ট অমা শঙ্গাবগী থৌরমদা মীয়ামদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ভারতনা দিপ ৱাটর ইনর্জি ছোর্সেস হেন্না পুথোক্কুনা ইনর্জিগী লমদা মীপাল তাংদনবা হোৎনরি অমসুং বাইও ইথানোল প্লান্ট অদু পান্দম অসি ফংনবা চংশিনবা খোঙথাং অমনি। ভারত অসি সোলার ইনর্জি পুথোকপদা মাংজিল থারিবা লৈবাক মঙাগী মনুংদা চনবা ঙমলে হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

মদুগী তুংদা, প্রধান মন্ত্রিনা রিফাইনারি অদুদা পোলিপ্রোপাইলিন য়ুনিত অমগী যাত্রাসু হুনখি।

মদুগী মমাংদা, শ্রী মোদিনা দরং মেদিকেল কলেজ, নর্সিং কলেজ অমসুং জি.এন.এম স্কুল অমগী যাত্রাসু হুনখি।

গুৱাহাতিগী নরেঙ্গি অমসুং দরংগি কুরুৱা অনি শমহন্দুনা ব্রহ্মপুত্র তুরেলদা শাগদবা অনৌবা থোং অমা অমসুং গুৱাহাতি রিং রোড প্রোজেক্টকী যাত্রাসু প্রধান মন্ত্রিনা ভারচুয়েল ওইনা হুনখি। অসামদা থৌরমশিং অদু য়াওরল্লবা তুংদা প্রধান মন্ত্রি জোরহাৎ এয়ারপোর্টতগী কোলকাতা পাংখি।

অসামগী মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মা, কেন্দ্রগী পোর্টস, সিপ্পিং অমসুং ৱাটরৱেজ মন্ত্রি সরবানন্দ সোনোৱাল, পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রি হরদিপ সিংহ পুরিনসুবসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

অমিত ঃ কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হিন্দিবু হেন্না লাইথোকহন্দুনা লমদম লমদমগী ওইবা লোলশিংগা লোয়ননা লোল অসিবুসু হেন্না চাওখৎহনবগী

তঙাইফদবদু ফোংদোকখ্রে।

গুজরাতকী গান্ধিনাগরদা হিন্দি দিবস অমসুং ৫ শুবা ওল ইন্দিয়া রাজভাষা সমেসন হৌদোক্লদুনা মন্ত্রিনা মীয়ামদা মমালোলবু ইকায় খুমবগা লোয়ননা হিন্দি লোল চাওখৎহন্নবস হোৎননবা হায়খি। মহাকা হায়- কেন্দ্র সরকারনা শারথি প্লেটফোর্ম অমসুং হিন্দি সাপদ সিন্ধু কোশনচিংবা থৌরাং কয়া হৌদোক্কুনা হিন্দিবু হেন্না চাওখৎহন্নবা হোৎনরি। মহাকা হায়- হিন্দিবু শুপগী লোল অমখক ওইনা শিজিন্নবগী মথক্তা সাইন্স, টেকোলোজি, আইন অমসং পোলিসিংগী লমদসু শিজিন্নগদবনি। শ্রী সাহনা ২০২৯ ফাওবদা হিন্দি সাপদ সিন্ধু কোশ অসি মালেমগী খ্বাইদগী চাউরবা ইনসাইক্লোপেদিয়া অমা ওইরগনি হায়বগী থাজবসু ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা ব্রা ঙাংবদা গুজতরাকী মুখ্য মন্ত্রি ভুপেন্দ্র পাতেলনা হায়- লোল হায়বসি পাড ফাওননবগী মেদিয়ম অমা ওইবগী মথক্তা সংস্কৃতিগী লমদা পীথোক পীশিন তৌননবগী পান্থে অমসুনি। চাওখৎপা ভারত অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা ইমালোলবুসু য়োকখৎপগা লোয়ননা হেন্না চাওখৎহনগদবনি হায়রদুনা মহাকা নহাশিংদা মমালোল নিংথিনা শিজিন্ননবসু হায়খি।

হিন্দি দিবসকা মরী লৈননা কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনসু মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ব্রারোলদা শ্রী বৈষ্ণোনা হায়- আত্মা নিরভর ভারত শেমগৎপদা লৈবাক অসিগী লোলশিংনা অচৌবা পান্থে অমা ওইরি। মহাকা হায়- ভারতকী লোলশিং অসি লৈবাক অসিগী সংস্কৃতিগী হেরিতেজ অমসুনি।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহগী নুমিৎ নিনিগী কোলকাতা খোঙচৎ ঙসি হৌখ্রে। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ব্রারোলদা শ্রী রাজনাথনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং হৌদোক্কদৌরিবা কম্বাইন্দ কম্মান্দরস কনফরেন্সতা মহাক য়াওগনি। মহাকা হায়- চহি অসিগী মীফম অসিদা রিফোর্ম, ট্রান্সফোর্মেসন, চেঞ্জ অমসুং ওপরেসনগীদমক শেম শাবদা অকনবা মীৎয়েং থমগনি।

পিয়ুস ঃ  কেন্দ্রগী কম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রি পিয়ুস গোয়লনা হায়রি- ২০৪৭ ফাওবদা ভারতকী শেল থুমগী চাং ত্রিল্লিয়ন দোল্লর ৩০ য়ৌবা ঙমগনি। নিউ দিল্লিদা ঙসি লনাই মিদিয়া ওর্গনাইজেসন অমগী চহিগী ওইবা মীফমদা পাঙথোকপা খন্ন-নৈনবগী থৌরমদা শ্রী গোয়লনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা ইনফ্লেসনগী চাং অসি লাকশিনবা ঙমলে হায়রদুনা ২০১৪ দা সরকার অসিনা শক্তি হেক পায়রকপদগী পোৎ চৈগী মমল হেনগৎহন্দবা হায়বসি মাংজিল থাবা থৌশিল অমা ওইদুনা লাক্লি। শ্রী গোয়লনা হায়- রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিগী ফিসকেল অমসুং মোনিটরি পোলিসি লেপ্তুনা য়েংশিনবগী থৌওংবু তঙাইফদবা অমা ওইনা চখ্থরক্লি।

মন্ত্রিনা হায়- সরকারনা মাইক্রো, স্মোল অমদি মেদিয়ম ইন্তরপ্রাইজেস (এম.এস.এম.ই)শিংবু শৌগৎতুনা লাক্লি। জি.এস.টি নৌনা শেমদোকপা অসিনা খাজনা লৌবগী থৌওংদা মীয়াম্বু হেন্না কান্নহল্লে।

বিরলা ঃ  লোক সভাগী অধ্যক্ষ ওম বিরলানা ঙসি অন্ধ্র প্রদেশকী তিরুপতি সহরদা নুপীশিংবু অহেনবা শক্তি পীনবগী শেমখিবা পার্লিয়ামেন্টরি অমসুং লেজিসলেতিভ কমিতিগী নুমিৎ নিনি চখ্থগদবা জাতিগী থাক্কী মীফম হৌদোকখ্রে। শ্রী বিরলানা মেলা অমসু হৌদোকখি অমসুং সোভিনিয়র অমসু ফোংখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী বিরলানা হায়- নুপীশিংনা নুপাগা মান্নবা থৌদাং লৌমিন্নরবা মতমদতা লৈবাক অসিনা মপুং ফানা চাওখৎপা ঙমগনি। মহাকা হায়- নুপীশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া পায়খৎলে। লেজিসলেচরশিংদা নুপীশিংগীদমক চাদা ৩৩ রিজার্ভেসন থমবগী আইন অমসু শেমখ্রে।

য়ুহার ঃ  অসাম অমসুং অৱাং নোংপোক ভারতকী মফম কয়াদা ঙসি নুংথিল রিক্তর স্কেলদা ৫.৯ গী চাংদা য়ুহার হাখ্রে।

অসাম ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিতিগী মতুংইন্না য়ুহার হাবা অদুগী

ইপিসেন্তর উদলগুরি জিলাগী কিলোমিতর ৫ লুবা মফমদা ওইখি হায়রি। গুৱাহাতিদা মীওই কয়ানা মখোয় মখোয়গী য়ুমশিংদগী মপানদা চেন্থোকখি। য়ুহার হাবা অদুনা য়ুমথংনবা লৈবাকশিং ভুতান, নেপাল অমসুং বঙ্গলাদেশতসু নিকহনখি।

অভিয়ান ঃ নুপীশিংগী হকশেলগী ফিভম ফগৎহন্নবগীদমক কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্বাল মন্ত্রালয়না হৌদোকখিবা নেসনেল হেলথ কেম্পেন অমা ওইরিবা স্বাছ নারি সাসক্ত পরিবার অভিয়ানদা আয়ুস মন্ত্রালয়সু মপুং ফানা শরুক য়ারি।

মন্ত্রালয়গী চেরোল অমনা হায়- নুমিৎ ১৬ নি চথুগদবা কেম্পেন অসিনা নুপীশিংগী হকশেলগী ফিভম ফগৎহনবা অমদি তোঙান তোঙানবা লায়নাশিং খঙদোকবা হোৎনবদা অখন্নবা মীৎয়েং চংগনি। কেম্পেন অসি রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী এদমিনিষ্ট্রেসনশিং অমদি আয়ুস রিছার্স ইন্সটিট্যুসন্স, ইজ্‌কেসনেল ইন্সটিট্যুসন্স, ইন্দষ্ট্রিজ, এসোসিয়েসন্স অমদি এন.জি.ওশিং য়াওনা মরী লৈনবা পুমমক্কা খুৎশমদুনা শিনবনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ খাঙেন্বম জেমসতগী--

ষ্টেদিয়ম ঃ কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ঙসি অহমেদবাদকী নরানপুরদা নৌনা শাবা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউবা স্পোর্টস কমপ্লেক্স ঙসি শঙ্গাখ্রে। লুপা কোতি ৮২৫ চংনা শাবা কমপ্লেক্স অসিদা মালেমগী থাক্তা শাবা এক্বাতিক কমপ্লেক্স য়াওরি। তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংগী ইন্দোর অমদি আউটদোর ষ্টেদিয়ম, শান্নরোইশিংগী ত্রেনিং সেন্তর অমদি লৈফমসু য়াওরি।।

বোক্সিং ঃ য়ুনাইতেদ কিংদমগী লিভরপুরদা পাঙথোকপা ৱাৰ্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নসিপতা ভারতকী শান্নরোই অনি সনাগী তকমান লৌবা ঙমখ্রে। জাসমিন লম্বোরিয়ানা নুপীগী কিলোগ্রাম ৫৭ কী কাংলুপ্তা সনাগী তকমান

ফংখি। মহাকা পোলেন্দগী জ়লিয়া ়জিরেমেতাবু পোইন্ট ৪-১ মায়থিবা পীখি। নুপীগী কিলোগ্রাম ৪৮ গী কেটাগোরিদা ভারতকী মিনাক্সি হুদানা কাজাকিস্তানগী নাজিম কজাইবে-ব় পোইন্ট ৪-১ দা মায়থিবা পীদুনা সনাগী তকমান লৌখি।

জ়দো (এল)ঃ দি.জি.এ.আর. মনিপুর ষ্টেট জ়দো চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ ঙসিদগী খুন্মন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হৌখ্রে। অহানবা দি.জি.এ.আরগী চেম্পিয়নসিপ অসি অসাম রাইফলসকা মনিপুর জ়দো এসোসিয়েসনগা পুন্না শিনবনি। চেম্পিয়নসিপ অসিদা পুন্না টিম ৮ না শরুক য়ারি। চেম্পিয়নসিপ অসি থা অসিগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

------